ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯴ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, জন্যুৱারী ০৪, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৭৪শুবা মশীং

## য়ু জিশিংগা ওপরেসন লেপ্পবা ‘লাইসেন্স টু কিল’ ওইরকহল্লোইদবনি

দিসেম্বর ২৭, ২০২২দা ন্যু দেল্লীদা মণিপুরগী নন-সু গ্রুপ অমা ওইরকখিবা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কগী মরক্তা ওপরেসন লেপ্পবগী য়ান্ন-চে (এগ্রিমেন্ট) খূৎয়েক পীনখ্রিবদু লৈঙাক অনীমক্কীদি প্লস পোইন্টনি, এচিভমেন্টনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নোর্থ-ইষ্টর্ন রিজনবু ইন্সরজেন্সি ফ্রী রিজন অমা ওইহনগদবনি হায়বা পান্দম অমসুং ৱাখল্লোন্দুগী মখাদা চত্থরকপা থবকনি হায়দুনা লৌবা য়ারিবনি। থোইদোক-হেন্দোক্লা জেদ য়ু এফ অমসুং ফ্রন্টসিনা মহুৎ শিল্লিবনি হায়জরিবা জেলিয়াংরোং মীয়ামদদি অনৌবা চহীগী অনৌবা খুদোল ওইনসু থোক্কদৌরিবনি। এগ্রিমেন্ট অসিমক সাইন তৌনরক্লিবনি নাকল অহুমগী ওইনা ওইজ-ওইথক অমসুং কান্নবশিং ফংগনি খনবদগী তৌনরকখিবনি। তৌসনু, করিসু কাইদে। জেদ য়ু এফকুম্বা মণিপুরগী চীংগী মফম খরদা ওপরেট তৌরকখিবা অন্দরগ্রাউন্দ খূৎপু অমগা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কগী মরক্তা কন্দিসন খরদা য়াশিন্নবা পুরকখিবদা মীয়ামদা মাঙজবা অমসুং অকায়-অতোই থোকহল্লক্কদবা লৈতে। অদুবু জেদ য়ু এফকা খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা নাকল অহুম্মক্লা ঙাক্লা চৎকদবা ‘জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ’ (জে এম জি) অমা শেমগনি হায়খিবদুদি পন্থদনা শেমদুনা থবক ওইনা চৎনহন্নীংই। মরমদি ওপরেসন লেপ্পবগী খূৎয়েক পীনরবা জেদ য়ু এফনা তৌগদবা/তৌরোইদবশিং য়াওনা নাকল অহুম্মক্লা ঙাক্লা চৎনগদবা থবক থৌরম পূম্নমক জে এম জিনা য়াৎথোক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা জে এম জি শেম্বগী থবক থিন্থহনবা চুল্লোই। মরমদি কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কগী মরক্তা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কা কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স’ (সু) গী য়ান্ন-চে খূৎয়েক পীনদুনা লাক্লগা য়ানবসিগী মখাদা লৈবা গ্রুপ খরগী কাদরশিংনা লমহেন-তুহেনবগী থবক চত্থরকপগী থৌদোকশিং মীয়াম্না হকথেংনখ্রে। অসিগুম্বা থবকশিংসিগী মনুংদা নেসনল হায়ৱে য়াওনা অতৈ লম্বীশিংদা চৎলিবা গাড়ীশিংদগী নমদুনা শেল লৌবা য়াওরি। পীয়ু য়াদে হায়বা গাড়ীশিং অমাঙ অতা থোকহনবা, গাড়ীগী মীওইশিং ফাজিন-পুনশিনবা তৌই। দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী চয়েৎননবা য়াওশিল্লক্তুনা হোৎনরকপা য়াওই। পূম্নমকসিগী মথক্তা পোপী পাম্বী থাবদা য়াওশিল্লম্বা অমসুং টেক্স লৌরম্বা ফাওবা য়াওরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মীয়াম তিনবা থৌরমশিংদা ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

মরম পূম্নমকশিং অসিনা মণিপুরগী চীংগী মফম খরদা ওপরেট তৌরিবনি হায়বা খূৎলায় পায়বা খূৎপু খরগা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কগী মরক্তা ওপরেসনশিং লেপ্পবগী য়ানবা পুরকপনা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসননি হায়রিবা গ্রুপশিংসিদা ‘লাইসেন্স টু কিল’ গুম্বগী অয়াবা পীবা ওইনা থোকহল্লকপদি অচুম্বা ওইরোই। এগ্রিমেন্টকী ৱাহন্থোকসু মরীং-মরাংহনগনি হায়নীংই। মরমদি হৌজিক তোঙান তোঙানবা মফম খরদা মীয়ামগী লূপ অমনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকী মখাদা সু তৌনরিবা কাঙবুগী মায়োক্তা ফোংনা প্রোটেষ্ট তৌরক্লিবসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। সিট-ইন-প্রোটেষ্ট তৌরক্লিবশিংগী মরু ওইবা দিমান্দদা সু গ্রুপশিংদা মণিপুরগী য়েলহৌমী নত্তবা য়াওরে, মখোয়বু মরমদা হলহনখিগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরবসু মীয়াম্না পামদবা, য়ানীংদবা থবক-থৌরমশিং চত্থরে, ঙাক্লা ইন্দুনা চৎকদবা জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ (জে এম জি) গী চৎন-পথাপ্তা য়াওদবা, তৌফমসু থোক্তবা অদুগা অয়াবসু পীদবা থৌওংশিং চত্থরে হায়বনি। হায়রিবা ফীভমসিমক দিসেম্বর ২৭, ২০২২দা ওপরেসন লেপ্পনবগী খূৎয়েক পীনখিবা জেদ য়ু এফতসু থোকহল্লকপা চুল্লোই হায়বনি। মসিগী থৌদাং মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌগদবনি। মথৌ তাবা লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরমশিংসু পায়খৎকদবনি। হায়রিবা য়ানবা অসি লৈত্রিঙৈগী মমাঙদদি কে এন ওনা কোনশিনবসু য়ু পি এফকী মখাদা লৈবা গ্রুপশিংসু লোন্না লৈরম্বনি, ফোংলমদবনি। অদুবু য়ানবগী খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদগীদি অফোংবা মফমদা হাংবা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা লৈরগদবনি। হান্নদগী মখোয়না পায়রকপা নোংমৈ অমসুং অতৈ খূৎশু-খূৎলায়শিংসু মখা তানা পায়দুনা লৈখিগদবনা হান্নদগী হেন্না অমুক্কসু চেকশিনবা তঙাইফদ্রে হায়নীংই। ওপরেসন লেপ্পবগী অয়াবা থম্নরিবা খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ খুদিংমক্লা মখোয়না পায়রিবা নোংমৈশিং অরানবা লম্বীদা শীজিন্নরকপা য়ানবগী অয়াবা পীবা নত্তে হায়বসি খঙহনগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **“করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেল্লেনে/তখেল্লে শংৱৈ লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **“ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **“অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মমি তাদ্রবা মী”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

# কুমজা ২০২২দা পুথোরকখিবশিংদগী খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইবা খরা # ১


## রিমোট-কন্ট্রোলনা মথৌ তৌহনবা সাইবোর্গ কোক্রোচ

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

কুমজা ২০২২না হৌখ্রবসু ‘ব্রেকথ্রু’ হায়বা ৱাহৈ অসিদি নাকোংদা অদুম ঙংদুনা লৈহৌরি। থিজিনবগী থবক্তা মায় ওনশিল্লিবশিংনা পুথোরক্লিবা পূম্নমকসিগী চন্নফম লৈ; অদুবু খরা হেন্না শিংথাবা য়াবা হায়বা অমদি লৈ। অদুনা অখঙ অহৈশিংগী মত মতুংইন্না অনৌবা য়াওল পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগীদমক ব্রেকথ্রুনি হায়না শীংথারবশিংগী মরমদা খঙজিনবা হায়বসি কান্ননীংঙাইনি। তৌবগীবুদি অখঙ অহৈশিংগী মরক্তসু মত খেন্নবদি লৈ অদুনা তোঙান তোঙানবা ‘সোর্স’ শিংদা পীনরক্লিবা মতশিংদুদগী পাবদসু নুংঙাইগদবা ওইনা খনগৎলগা পাউদমজগে।

শাথিবা দিজাষ্টর অমা থোরকপদগী অচৌ-অচৌবা বিল্ডিংশিং নীংখাইরকপা মতমদা থেংনবা খ্বাইদগী নীংহন্নবা পোকপা থৌওং অমদি - করম্বা মফমদা, করম্বা জগাদা হকচাং কয়া অকায়-অতোই মরক্তা লৈখ্রে, মখোয়গী মরক্তা হিংলিবা কয়া য়াম্না য়াওরিবগে হায়না খঙদোকপা অসিনি। রেস্ক্যু ওপরেসনদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লিবা মী অদুনা পাম্বৈ ইরৈ লৈত্রবগুম, মখূৎ মকোক্তা হাপ্পগী ফীভমসি হেক হেক থোকই; অদুনা করিগুম্বা মতমদা



সাইবোর্গ কোক্রোচতা হাপ্লিবা ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্টশিং

দিজাষ্টর অদুনা শোকহনখ্রে হায়না চিংনরিবা মীশিংদুগী অশিবা হকচাং ফাওবা ফংদনা ওপরেসন লোইশিনখিবসি ইরমদম মণিপুর অসিদসু থোরক্লি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জাদা অতেক-অকায়শিংগী মরক্তা চঙলগা, অকূপ্পা ঈ-পাউ পীবা ঙম্বা পাম্বৈ অমা লৈরকপা হায়বসি কয়াদা কান্নখ্রগদবা!

জপানগী RIKEN (ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এন্দ কেমিকল রিসর্স) ক্লষ্টর ফোর পাইওনিয়রিং রিসর্স (সী পি আর) না লুচিংখিবা মালেমগী থাক্তা লৈবা থিজিন লূপ অমনা রিমোট কন্ট্রোল অমগী মতেংনা মথৌ তৌহনবা ঙম্বা, বেট্টরিনা চলাইবা সাইবোর্গ কোক্রোচ অমা পুথোকপা ঙমখ্রে। মসিদা সোলর সেল অমদা শমজিনবা, হন্না হন্না চার্জ তৌবা য়াবা বেট্টরি অমনা চলাইবা ৱায়রলেস মোদ্যুল অমা য়াওরি। এঞ্জিনিয়ারিংগী পাম্বৈনা শেমগৎলক্লিবা সাইবোর্গ কোক্রোচ অসিনা মনীং তম্না চৎপা অমসুং লেঙ-ওৎপা ঙম্মী হায়না "npj Flexible electronics' সেপ্টেম্বর ৫, ২০২২) তা ফোঙদোরকখিবনি।

শরুক অমনা তীল (ইন্সেক্ট), শরুক অমনা মেছিন ওইবা সাইবোর্গ ইন্সেক্টশিং শারগা দিজাষ্টর অমনা মাঙ-তাকহল্লবা বিল্ডিংশিংগী অকায়-অতোয় মরক্তা হিংদুনা লৈবা মী য়াওরিব্রা হায়না খঙদোকপা ঙমহন্নবগী মঙসি চহী কয়াগী মমাঙদগী মঙদুনা লাক্লখিবনি। অসিগুম্বা সাইবোর্ক ইন্সেক্ট অমনা অকায়-অতোয় মরক্তা চৎহনবগী মেকানিজমসি অরাইবা অমদি ওইদে। অদুগা মতম কুইনা মথৌ তৌরকপা মতমদা বেট্টরিগী চার্জ লোইখিবা হায়বসিসু খুদোংচাদবা অমনি। অদুনা রিকেনগী থিজিন লূপ অসিনা সাইবোর্গ কোক্রোচ অসিনা লেপ্পা লৈতনা মথৌ তৌবা ঙমহন্নবগীদমক সোলর সেল অমা সাইবোর্গ অসিদা হাপচিল্লি। অসুক য়ামখ্রবা কম্পোনেন্টশিংসি পীকখ্রবা কোক্রোচ অমদা হাপচিনবা হায়বসিসু অরুবা মতাং অমা ওই। অদুনা কা হেন্না পাখ্রবা সোলর সেল মোদ্যুল অমা শেমগৎপগী মথৌ তারম্মী। কম্পোনেন্টশিংসি কোক্রোচ অদুদা মতম কুইনা নপশিন্দুনা লৈনবগীদমক অখন্নবা গম/এধেসিভ শীজিন্নবা হায়বসিসু মরু ওইরম্মী।



Kenjori Fukuda

RIKEN CPR গী Kejnori Fukuda না লুচিংখিবা লূপ অসিনা চাওরাক্লা সেন্টিমিটর ৬ (ইঞ্চি ২.৪) শাংবা মদাগাস্কর কোক্রোচতা চাংয়েংশিং পাঙথোকপা হৌখি। মদাগাস্কর কোক্রোচপু অখন্ননা খল্লুবগী মরমদি মখোয়সি পাইবা ঙমদে, অদুনা রিমোট কন্ট্রোলনা লাকশিনবদা হেন্না খুদোং চাই। লূপ অসিনা ৱায়রলেস লেগ-কন্ট্রোল মোদ্যুল অমসুং লিথিয়ম পোলিমর বেট্টরিবু অখন্ননা শেম শারবা বেকপেক অমগা লোয়ননা কোক্রোচ অদুগী থোরাক্সতা নপশিল্লম্মী। মসি ইলাষ্টিক পোলিমর অমনা 3D প্রিন্ট তৌরবা মোদেল কোক্রোচ অমগী হকচাংগা চুনবা মওংদা শেমগৎখিবনি। থবক ওইনা পাঙথোরকপা মতমদসু বেকপেক অদুনা কোক্রোচ অদুগী থোরাক্সকী কোল্লিবা শরুক অদুগা চুশিন্ননা লৈবা ঙম্লম্মী। মসিনা বেকপেক অদুদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিংবু থা অমা চূপ্পা ফীভম কায়হন্দনা লৈবা ঙমহল্লম্মী।

মিলিমিটর ০.০০৪গী চাংদা কা হেন্না পারবা ওর্গানিক সোলর সেল মোদ্যুল অদুনা কোক্রোচ অদুগী এবদোমেনগী মনীং থংবা শরুক্তা হাপ্লম্মী। মসিনা মিলিৱাট্ট ১৭.২গী পাৱর পীবা ঙম্লম্মী। মসিদা ফংলিবা পাৱর অসি অহিংবা ইন্সেক্টশিংদা খ্বাইদগী নৌবগী ওইনা হাপ্পরিবা দিভাইসশিংদগী শরুক ৫০ হেল্লবনি হায়না ফুকুদানা ফোঙদোক্লি। সোলর সেল মোদ্যুল অসি হাপ্পবগীদমক থিজিন-লূপ অসিনা অহিংবা কোক্রোচ অমনা চৎপা অমসুং লেঙ ওৎপগী মতাংদা কূপ্পা য়েংশিল্লম্মী। মসিদগী খঙবা ঙম্লকখিবদি কোক্রোচ অদুনা চৎপদা এবদোমেনগী মওং-মতৌ হোংলকই অমসুং এস্কোস্কেলেটলগী শরুকশিংদু অমগা অমগা লোনশিন্নরকই হায়বসিনি। মসিগা চুশিনহন্নবগীদমক সোলর সেল মোদ্যুলশিংদুদা গম তৈবা অমসুং তৈদবা শরুকশিং তোঙান তোঙান্না থল্লম্মী। মসিনা কোক্রোচশিং অদুনা চৎপদা মনীং তম্না চৎপা য়াহল্লম্মী।




সাইবোর্গ কোক্রোচ অমসুং মসিদা হাপ্লিবা মোদ্যুলশিং

কোক্রোচ অদুগী মখোঙগী শরুকশিংবু ষ্টিম্যুলেট তৌহল্লিবা ৱায়রশিংগা লোয়ননা ইলেক্ট্রোনিক কম্পোনেন্টশিংদু পুল্লপ হাপচিল্লবা মতুংদা কোক্রোচ সাইবোর্গশিংদু চাং য়েংলম্মী। বেট্টরিদু মিনট ৩০ মঙাল (নুমিৎ মঙালমক্তি নত্তবা) দা থমদুনা চার্জ তৌরগা ৱায়রলেস রিমোট কন্ট্রোলদু শীজিন্নদুনা কোক্রোচ অদুবু চৎহনবদা নত্তনা ওই অমসুং য়েৎলোমদা লৈথোক-লৈশিন তৌহনবসু ঙম্লম্মী। অসুম্না শেমগৎলক্লিবা সাইবোর্গ ইন্সেক্টশিং অসিনা দিজাষ্টরনা তেক-কাইহল্লবা বিল্ডিংশিংগী অতেক-অকায়শিংগী মরক্তা চঙশিন্দুনা রেস্ক্যু ওপরেসন্দা মতেং পাংদুনা মীওই কয়াগী পুন্সিবু কনবা ঙম্লগনি হায়রি। অতোপ্পা অমরোমদনা মখোয়গী সাইবোর্ক সিষ্টম অসি অতোপ্পা ইন্সেক্টশিংদসু শীজিন্নবা য়াগনি অদুনা অতোপ্পা লম্ কয়াদসু কান্নবা পীরক্কনি হায়রি। ●

# কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই

- ডি এল কবুই -

‘গান-ঙাই’ অসি কবুই ফুরুপকী কুম্মৈ অমনি। মসিদা থোইনা য়েৎননীংঙাই ওইদে হায়না খল্লি। মতমগী মতুংইন্না মালেমদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং অমদি কাঙলূপ খরনা গান-ঙাইগী চৎন-কাঙলোন কাইদনা গান-ঙাই পাঙথোকপদা থোইদোক্লা অকায়বা ওইদে হায়না খল্লি। থোইনা হেন্না পূক্লিং থৌগৎফম থোকই। গান-ঙাই অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোল্লকপদা করিসু কায়দে। অদুবু গান-ঙাইগী চৎন-কাঙলোন কায়না গান-ঙাইবু লান্না উখিবা য়াবা মওংদা ৱাহন্থোক পীবা, গান-ঙাই অসিবু মাঙন-তাক্নবা থবক থৌরম পাঙথোল্লকপশিংবুদি কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা য়াবা ঙম্মোয়। পূম্নমক অদু থেংননবা থৌনা লিংজেল চপ-চানা লৈজৈ।

গান-ঙাইদা ‘মাইথন’ (মৈশেং) মৈ অনৌবা অশেংবা লৌগনি। মৈ অশেংবসি মতৌ করম্না লৌগদগে হায়বা ৱাফমদুনি মীয়ামদা থমজনীংলিবদি। হৌজিক্তগী চহী লিশীং মঙাগী মমাঙদা ওইগনি হায়না পানরিবা, মীগা কৈগা মৈবা চিংখিবা মফম, নুংগী য়ূম অদু হৌজিক ফাওবা লৈরি। য়ূম অদুগী ফোটো ডি এল কবুইনা ইবা গান-ঙাই লাইরিক্তা য়াওরি। মতম অদুদা মৈ চিংখিবা উ ‘লংচিং থিংবং’ (কবুইনা কৌনবা উ অমগী মমিং) না ‘মাইগং’ (মৈবা) অমদি ‘চরি পৈবং’ (কবুইনা কৌনবা ৱা অমগী মমিং) না ‘মাইরু’ (মৈরি) ওইদুনা মৈবা চিংদুনা মৈ পুথোকখি। মতমদুদা শীজিন্নবা উ অমদি ৱা অদুনা শেমদুনা মৈবা চিংদুনা পুথোকপা মৈ অদুবু মৈশেংনি হায়না খঙনগনি। অতোপ্পা মখল মথেলনা পুথোকপা মৈরা মৈশেং ওইবা য়াদে। কবুইনা ঙসি ফাওবা গান-ঙাইদা অশেংবা মৈ পুথোক্তুনা চহী খুদিংগী হরাওনরি।

কবুইগী চৎনবীদা ফৌ খাওবা হৌবগী পুজা অমা লৌদুনা তৌগনি। মদুবু কবুইনা ‘লাও থাকমৈ’ হায়না কৌই। থৌরম অদুদা হায়রিবা ‘লংচিং থিংবং’ উগী মশা অমা য়াওদবা য়াদে। নুমিত্তুদা ফৌগৌদুনা ‘মজালু’ ফৌগী ঈশৈ শক্কনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি য়াম্না পাক চাওনা লৈখ্রে। হৌজিক্কী মতমদা মালেমনা চাওখৎলিবা, অঙক-অঙকপা টেক্নোলোজি খূৎশু খূৎলায় পুথোল্লিবা পূম্নমক মৈগী মপান্না অয়াম্বনি হায়বা য়াই।

মণিপুরদা খুন্দারিবা রিকগনাইজ ত্রাইব ৩৪ য়াওনা ফুরুপ ৩৬ রোম অসিগী মনুংদা গান-ঙাই পাঙথোকপা ফুরুপ খরা লৈরম্বা য়াই। অদুবু কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই (গান-কুম্মৈ) অসিদি ময়েক শেংনা লৈজৈ। গান-ঙাইগী মরমদা হৌখ্রবা চহী ৩০ রোমগী মতমদা জন্যুৱারী ৬, ১৯৯৩গী নুমিদাং পুং ৬.৪৫ তাবা মতমদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী খুঙ্গংগী থৌরমদা মণিপুরী লোলদা ডি এল কবুইনা মিনট ১০ ৱা ঙাঙখি। মদুদগী গান-ঙাইবু হাও হরাওবা হায়না খঙনরম্বদু তোকখ্রে। হান্নদি মহাবলি কবুই খুল হরাওবা, মোইরাংখোম কবুই খুল হরাওবা, কৈশামথোং কবুই খুল হরাওবা অমদি হাও হরাওবা হায়না খঙনরম্বনি। অসুম্না মথং মথং চৎথরক্তুনা কুমজা ১৯৯৪দা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল প্রেসতা থাদোকখি। কুমজা ১৯৯৫দসু লূপ অসিনা গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল প্রেসতা থাদোকখি, ফোঙখি। কুম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণরনা গান-ঙাইগী য়াইফ পাউজেল অহানবা ওইনা প্রেসতা থাদোকখি। পাউচেদা ফোঙখি। মতম অদুদা গান-ঙাই অসি কবুই ফুরুপকী ৱাখল্লোন্দা পাউজেন্দু পীখিবনি। মদুগী রেকোর্দ লৈজৈ। মথংদা, হৌজিক্লা আই এস টি ভি হায়না খঙনরিবসি আই সী টি ভি হায়রিঙৈ মতমদা গান-ঙাইগী মরমদা ডি এল কবুইনা কুমজা ১৯৯৮দা মণিপুরী লোলদা অমুক্কা ৱা ঙাঙখি। মদুদগী গান-ঙাই (অঙানবা-কুম্মৈ) অসি অমুক্কা হেন্না মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি।

গান-ঙাই মনুংদা ‘লাগঙ’ লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ য়াওই হায়না কবুই ধর্ম্ম চৎপা কাঙলূপ্না থাজনৈ। মরম অদুনা হরাওরিঙৈ মনুংদা ঈরাৎ পুজা অমদি অতৈ লাই তীলগী থৌরম তৌবা য়াদে। অদুগীসু মথক্তা পাখঙ লৈশাবীশিংনা নত্তবা ৱাখল, নত্তবা লমচৎ অমদি চেন চোংবা য়াদে। করিগুম্বা চেন চোংবা তারবদি চেল্লিবা অমদি লৈশা-লাকপশিংগী মথক্তা চৎনবীগী মতুংইন্না মতিক চাবা ৱারাক কোংহল্লি। মরম অদুনা পাখং লৈশাবীশিংনা মদু ঙাক্লা চৎনৈ। অদুদসু নত্তনা ‘বানজা’ হনুবা কারবা অহলশিং নত্তনা ময়ূমদা তূম্বা য়াদে। মখোয়শিংদি ময়ূমদা তূমজরবসু নুপা-নুপী য়ূম্বানবগী মরী লৈনদে, মশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্মী, মরম অদুনা ময়ূমদা তূম্বনি। মসি য়াম্না চেংনা গান-ঙাইগী মনুংদা ঙাক্লা চৎনৈ। কনাগুম্বা ময়ূম পাল্লবা নুপা অমসুং পাখঙ অমনা পাখঙ ফান্দা তূমদনা ময়ূমদা তূল্লবদি নোংঙাল্লগা পাখঙশিংনা ময়ূমদা তূম্বগী লক্লা ঈশৈ শক্তুনা চৎকনি। মসিবু কবুইনা ‘কাইজিপ লাওমৈ’ হায়না খঙনৈ। চৎনবী মতুংইন্না কোংফম থোকপা কোংহল্লি। মসি অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা নুপাদা ফাওবা তৌই। মসি য়াম্না ইকায়নৈ। অরোইবা নুমিত্তা ‘রাং-পম্মৈ’ থৌরমগীদমক খনগৎপা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসি য়াওবা য়াদে। ব্রহ্মচার্য্য ঙাকপনা লাগঙ (ঈশ্বর) ফংই হায়বসি কবুইনা থাজৈ।

অদুদসু নত্তনা পাখঙ ফানগী ইমুংদা নুপী মীরোলবী য়াওরবসু পাখঙ অমত্তা হায়রিবা ‘রাং-পম্মৈ’ থৌরম অসি তৌবা য়াদে। ময়ূম পাল্লবা নুপাশিংগী মরক্তগী খনগৎকনি। মসিনা তাকপদি গান-ঙাইগী থৌরম অসি য়াম্না লুবা থৌরম ঙাক্তনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক য়াম্না পাক চাওনা লৈখ্রে।

কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোন্দগী মৈ অসি তাইবঙ মীনা শীজিন্নদুনা লাকচরবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি, লাইমকনি হায়না লৌই। মৈ মুৎখ্রবদি ইমুং অমদগী মৈ নিদুনা লৌরুরগা শীজিন্নবসি চৎনরম্মী। মৈ অসি মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদবা য়াম্না মরু ওইবা পোৎ অমা ওইবনা কনাগুম্বা অমনা মৈ পীয়ু হায়না নিরবদি মৈ লৈনা লৈনা পীদবা তৌহৈদে হায়নবা লৈ। কবুইগী অঙাংশিংনা শান্নবদা মৈ নিবগী ৱাঙাঙ ৱাতা শীজিন্নদুনা শান্নবা মশান্না অমা লৈ। মসিসু অচৌবা খুদম অমনি।

কবুইনা থাজৈ, মীগা লাইগা পূন্না লৈমিন্নরম্বদগী মীগা লাইগা খাইদোক্লরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈবা জীব পূম্নমক্তি লৈমিন্নরি, লোলসু অমত্তদা খঙনরি। অদুবু লাগঙ লাইনিংথৌনা জীবশিং অসি মাগী মাগী কাঙলূপ কাঙলূপ তোখাই-তোখাই লৈহনবা পাম্মী। মরম অদুনা লাগঙ লাইনিংথৌনা লাংওল্লক্তুনা তাইবঙ মীবু লমজিং লমতাকপীরম্লবা মতুং মৈ অসি কনানা শীজিন্নগদগে হায়না মত লৌখি। মদুদা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বনা মৈ শীজিন্নজরসনু হায়না য়ানরে। মরম অদুনা জীব পূম্নমক নমিৎ লোইনা খুমজিল্লো হায়না খুমজিলহল্লে। অদুগা মৈ লোইনা লোৎশিনখ্রে। জীব অতৈনা মৈ পুথোক্লবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদ্রে। মীগা কৈগদা ঙাইরে। কৈনা মৈবা হান্না চিংই মৈখু ফাওবদি থোকই অদুবু মৈদি পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রে। মথংদা মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙমখি। মদুদগীদি মীওইবা নত্তবা জীব পূম্নমক মৈ য়াওদনা হিংবা ঙম্নবা, ইংদনবা মৈতান অহিংবা অমমম লোইনা পীজরে, অদুগা চৎহনখ্রে। মসিগী ৱারী য়াম্না শাংনা লৈখ্রে। মীওইবনা মৈবা চিংবদুদা মৈ থোক্ত্রবদি কৈনা মৈবাদু অমুক চিংখিবা তাবনি। মীওইবনা অনৌবা মৈ পুথোকপা ঙম্বা অদুদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওখি। মীওইবনা মৈ পুথোকপা ঙম্লমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মৈদগী অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংলিবসি ফংলম্মোইদবনি। মালেমদা চাওখৎপগী মঙাল পীরিবসি মৈগী মপান্ননি। অদুনা মৈ শীজিন্নবা ফংবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হরাওবা কুম্মৈ অদুবু গান-ঙাই হায়না কৌই। গান হায়বদি অঙানবা হায়বনি, ঙাই হায়বদি কুম্মৈ হায়বনি। ●